# অনৌবা ঙা মখল কয়া য়োকপগী তঙাইফদবা

ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ সিংহ






**ইন্দিয়াগী** মফম অয়াম্বদা হৌজিক য়োক্লরিবা ঙা মখলশিং হায়রগা রৌ, কটলা, গ্রিগল, শিলভর কার্প, নাপী চাবী অমদি পুকলাওবীনি। তৌইগুম্বসুং অনৌবা ঙা হায়বদি হান্ননা য়োক্লরমদবা ঙা মখল কয়া ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা য়োক্লবা হৌনরক্লি। ঙাক্রা, তুংহনবী, খজিং, পেংবা, ট্রাউট অসিনচিংবনি।

ঐখোয়গী লৈবাক্কী ঙাথোক হেনগৎহনবদা অনৌবা ঙাশিং অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙাশিং অসি মফম খুদিংমক্তা য়োকপা চানগনি হায়বদি লৈতে। মরম অদুনা চানবা ঙা মখল য়েংবীরগা য়োকপীগদবনি। অনৌবা ঙা অমা য়োকপা হায়বসি ঙাদু য়াম্না থুনা চাওগনবা, মমল য়াম্না ৱাংবা, ময়াম্না য়াম্না পাম্নবা অসিনচিংবা মগুণশিং চেনগদবনি। তৌইগুম্বসুং মচা পুথোকপা অমদি য়োকপগী থৌওং ফজনা খঙদোক্কদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা করিগুম্বা ঙা মখল অমা ময়াম্না য়াম্না পাম্নরবসু মচা পুথোকপগী থৌওং ফজনা লৈতবা অমদি মচা ফংদ্রবদি হায়রিবা ঙা অদু য়োকপগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনগনি।

মণিপুরগী ওইনা হৌজিক পুথোক্লিবা ঙাগী চাং অসি ঐখোয়গী দরকার ওইবা অদুদগী অসুক্কী মতিক নেমখ্রে। তৌইগুম্বসুং অনৌবা ঙা মখল কয়া থোক্লরক্লবদি খরমখৈদি মেনখৎপা ঙমগনি। ঐখোয়গী মণিপুরগী পাক চাওবগী চাওরাক্লা চাদা তরাখক্তমক তম্পাক্কী লমনি অদুগা লেমহৌরিবা মরিফুতরা অদুনা চীংগী লমনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক পুথোক্লিবা ঙাশিং অসি তম্পাক্কী লমদগী অয়াম্বনি। চীংগী লমশিং অসিদগী পুথোকপা হৌরক্লবদি ঐখোয়গী দরকার ওইবা ঙাদগী লেম পানা পুথোকপা ঙমগনি। চীংগী লমশিং অসি অয়াম্বনা অঙৗংবা মফম ওইবনা অঙৗংবা মফমদা হৈনবা ঙাশিং য়োক্কদবনি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা রৌ, কটলা অমদি গ্রিগল চানবা খরা ৱাৎকনি। অদুনা পুকলাওবী, নাপী চাবী, শিলভর, ট্রাউট অমদি মফমশিং অসিদা হান্নদগী লৈজরম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা খাবক, সনাঙা, নূংঙা অসিনচিংবা ঙাশিং অসি য়োকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপা অমদি য়োকপগী থৌওংশিং ফজনা খঙদোকপা তঙাইফদে। মতাং অসিদা ঙাগা মরী লৈনবা লূপশিং অমদি মহৈ লোইশঙ পুন্নমক্কী পূক্নিং চিংশিনজনীংঈ অমদি অনৌ অনৌবা ঙা কয়াগী মরমদা থিজিল্লবা মতুংদা অনৌবা ঙা কয়া য়োক্লরক্লগনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

ঐখোয়গী মণিপুরগী ওইনা খুদোংচাদবা অমনা হৌজিক হৌজিক ঙা ফজনা য়োক্লরিবা তম্পাক্কী শরুক খরা অসিসু চহী অমদা থা তরুক অমদি ঈংঈ। মরম অদুনা অশাবা লমদা হৈনবা ঙাশিং হায়বদি রৌ, কটলা, গ্রিগলনচিংবা ঙাশিং অসি চাওগন্দে। মরম অদুনা অঙৗংবা মফমদা হৈনবা ঙা য়োকপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদসু নত্তনা মমল ৱাংবা অমদি মীয়াম্না পাম্নবা ঙাশিং য়োকপগী তঙাইফদবসু লৈ। ঙাতোন অমদি পেংবাগুম্বা য়োকপা দরকার ওই। মসিনা ঙাথোক হেনগৎহনবতা নত্তনা ঙা য়োক্লিবা ঙামীশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্দুনা নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরকপদা অচৌবা মতেং পাঙগনি। অনৌবা ঙা কয়া য়োকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়দুনসু ঐখোয়গী হান্ননা লৈজরম্বা ঙাশিং অমদি অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীগদবা ঙা কয়া মপান লমদগী পুশিল্লক্তুনা য়োক্লবা থেংনৈ। মসি তৌবিরোইদবনি। মরমদি হায়রিবা ঙাশিং অসি য়োকপদগী ঙাথোক খরা হেনগৎলবসু মসিদগী থোক্লকপা অমাঙবনা য়াম্না হেল্লি। নাপী চাবী, পুকলাওবী, শিলভর হায়রিবা ঙাশিং অসি মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিংনি অদুবু মখোয়না থোকহনবা অমাঙবগা কান্নবগা চাংদম্নবদা কান্নবনা হেনবা মরম্না মখোয়শিং অসি ফজনা য়োক্লরিবনি। তৌইগম্বসুং য়াম্না থুনা চাওগল্লি অমদি ঙাথোক লৈ হায়দুনসু জপান ঙাক্রা হায়রগা খঙনবা অফ্রিকান কেটফিসগুম্বা ঙা অসি য়োকপীরোইদবনি। তুংহনবী, পুকলাওবী অমদি ঙাহৈগুম্বা ঙা কয়াসু মণিপুরদা য়োকপা হৌনরে। মখোয়শিং অসিগীসু কান্নবা-কান্নদবা কয়া লৈরি। মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙা কয়াগী অফ-ফত্ত ময়াম অসি ঙা য়োক্লিবা ঙামীশিংনা ফজনা খঙবা ঙমদ্রবসু ঙাগা মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা ফজনা থিজিল্লবা মতুংদা পুশিল্লক্লবা থৌরাং লৌখৎচহন্নীংঈ।

মণিপুরদা লৈরিবা ঙা মখল অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। মরুওইনা চীংগী লম অমদি অঙৗংবা মফমদা হৈনবা ঙা মখলশিং অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। হায়রিবা ঙাশিং অসিদগী অফবা অমদি মীয়াম্না পাম্নবা ঙাশিং খনগৎলগা মখোয়গী মরমদা থিজিল্লবা মতুংদা য়োকপগী থৌরম পায়খৎপগী চাংসি অঙকপা ফংনা হেনগৎহনবা ঙমগনি। মরমদি মণিপুরগী অপূনবা পাক চাওবগী চাদা মরিফুতরাগী লমদগী ঙা পুথোকপা য়াগনি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি মণিপুরগী পাক চাওবগী চাদা তরাখক্তমক ওইরিবা তম্পাক্কী লম অসিখক্তগী ওইনা অয়াম্বা শরুক্কী ঙা পুথোক্লি। মণিপুরদা ফংলিবা ঙাশিং অসি চাবখক্তমক নত্তনা লৈতেং ওইনা শীজিন্নবা য়াবা ঙা মখল কয়া য়াওরি। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপা অমদি য়োকপগী থৌরমশিং ফজনা থিজিল্লগা য়োক্লরক্লবদি মপান লৈবাকশিংদা য়োন্দুনা লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা শেনফম কয়া তানবসু য়াগনি। মতাং অসিদা খঙবিগদবা অমদি শেল ফংনবগীদমক্তা ঐখোয়গী অকোয়বদা ফংলিবা ঙাশিং ফাদুনা মপান লৈবাকশিংদা য়োনখিবা থোক্লবদি ঐখোয়গী অকোয়বদা মহৌশাদগী লৈরক্লিবা অতাঙবা ঙাশিং অসি মুৎখিবা য়াবগী খুদোংচাদবা লৈ। মরম অদুনা মচা পুথোকপগী থৌরম ফজনা পাঙথোক্লবা মতুংদা মপান লমদা য়োন্নবগী থৌরাং লৌখৎকদবনি।

নাকল অমরোমদা ঙাগী মরমদা থিজিল্লিবা লোইশঙশিংনা থিজিল্লবা মতুংদা পুথোরকপা ঙাথোক লৈবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা জায়েন্তি রোহু, গিফট (জি আই এফ টি) অমদি অমুর কার্পনচিংবা ঙাশিং অসি য়োকপগী তঙাইফদবসু লৈরি।

অসুম্না হান্না য়োক্লরম্বা ঙা মখলশিং অসি নত্তবা অনৌ অনৌবা ঙা মখল কয়া য়োক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবতা নত্তনা শেল থুমগী ফীভম ফগৎহননবা হোৎনমিন্নরসি।

# লৈবাক শিন থুংনা শিন্মীশিংগী ঈহৌ মথং মথং চথরগনি

**সোটিনকুমার**

**চ্যেরমেন কো-ওর্দিনেটিং বোদি ওফ ত্রেদ য়ুনিয়নস, মণিপুর**

**সেন্ত্রেল** ত্রেদ য়ুনিয়ন অমসুং ইন্দস্ত্রিজ অমদি সার্ভিস সেক্তরদা লৈরিবা নেসনল ফেদরেসন ওফ ৱার্করস এন্দ ইমপ্লোইজগী শিন্মীশিংগী ওইবা নেসনল কনভেন্সন অমা হৌখিবা ওগষ্ট ৮, ২০১৭ তা ন্যু দেল্লিগী টালকোটারা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবদুদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী প্রো-কোর্পোরেট, এন্টি নেসনল অমসুং এন্টি পিপল ওইবা পোলিসিনা নেসনল ইকোনোমি শোকচিনহন্দুনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা শিন্মীশিং হিংবদা য়াম্না শাথিনা অৱাবা মায়োক্লরি।

সেন্ত্রেল ত্রেদ য়ুনিয়নশিং পূনশিন্দুনা গভর্ণমেন্টতা লানখৎখিবা পোইন্ট ১২ য়াওবা চার্টরস ওফ দিমান্দ - মিনিমম ৱেজ, সোসিয়েল সেক্যুরিটি, ৱার্করস ষ্টেটস, স্কিম ৱার্করশিংগী পে অমসুং মরী লৈনবা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা, প্রাইভেটাইজেসন তৌদনবা লোয়ননা পাক্তক্লনা কন্ত্রেক্টা ওইনা থবক হাপ্পনচিংবগী মায়োক্তা অদুগা দিমান্দশিং অসি পীননবগীদমক লৈবাক শিন থুংনা ত্রেদ য়ুনিয়ন মুভমেন্ট চঙশিনখ্রবা ফাওবদা লৈঙাকসিনা থওইদনা লৈথোক্লিবসিগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। সেন্ত্রেল ত্রেদ য়ুনিয়নশিং পূনশিন্দুনা ষ্ট্রাইক কয়া - মপূংদা সেপ্টেম্বর ২, ২০১৫ অমসুং সেপ্টেম্বর ২, ২০১৬ তা শিন্মী ক্রোর কয়ানা শরুক য়াদুনা লৈঙাকসিগী পোলিসিশিংগী মায়োক্তা চঙশিনখ্রবসু সেন্তরদা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা হেন্না হেন্না শিন্মীশিংগী রাইট শিংনদুনা হিংবদা হেন্না অৱাবা চৈথেং পীরি। ওর্গেনাইজ অমসুং অনওর্গেনাইজ সেক্তরগী শিন্মীশিং চপ মান্নবা চৈথেং ফংমিন্নরি।

শিন্মী মশীং য়াম্না দরকার লৈবা সেক্তরশিং ফাওবদা থবক হাপ্পগী থৌওং চথুদ্রবনা থবক ফংদবগী সমস্যা হেন্না মায়োক্লহল্লে। ইন্দষ্ট্রিশিং থোং লোনবগা লোয়ননা ইনফোর্মেসন টেক্লোলোজি সেক্তরদা থবক লৌথোকপা হেনগৎলকপনা থবক ফংদবগী সমস্যা হেন্না চাওথোকহল্লে। চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈগী মমল - পব্লিক ত্রান্সপোর্ট, ইলেক্ট্রিসিটি, হীদাক-লাংথক য়াওনা হেঙ্গৎলকপসিনা মীচম মীয়ামগী পুন্সিদা অহেনবা চৈথেং পীবদা নত্তনা হেন্না হেন্না লায়র তালহল্লে। অদুনা হাথু-হাথুনা জি এস টি ইমপ্লিমেন্ট তৌবা অসিনসু অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হাপকৎলি।

সোসিএল সেক্তর অমসুং তোঙান তোঙানবা ৱেলফ্যের স্কিমশিংদা লৈঙাক্লা থাদগদবা শেনফম ককথখিবদগী শিন্মীশিংগী ফীভম, মরুওইনা অনওর্গেনাইজ সেক্তরদা থবক শুরিবা শিন্মীশিং ফীভম হেন্না মীপাইনিংঙাই ওইরি।

লৈঙাকসিগী এন্টি লেবর ওইবা লিচৎ অসি মখোয়না ইন্দিয়ান লেবর কনফরেন্সশিংদা লৌখিবা কনসেসিয়স ওইবা রিকোমেন্দেসনশিং - মান্নবা থবক্কী মান্নবা খূৎশুমন লোয়ননা খুদোংচাবশিং কন্ট্রেক্ট ৱার্করশিংদসু ফংহন্নবা, ১৫শুবা ইন্দিয়ান লেবর কনফরেন্সতা য়াৎখিবা শিন্মীগী মিনিমম ৱেজ (সুপ্রিম কোর্টনসু জজমেন্ট পীখ্রবা) অমদি স্কিম ৱার্করশিং - অঙ্গলৱাদি, মিদ-দে মিল, আশা ৱার্করনচিংবগী ষ্টেটস পীয়ু হায়বদু য়াদ্রি। মোদি গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টনা য়েৎননিংঙাই লৈত্রবা রাই - 'ইক্বেল পে এন্দ বিনিফিটস ফোর দ সেম ৱার্ক' অমদি ঈ পি এস, ১৯৯৫- ফংলিবা তলব অমসুং দিয়ারনেস এল্লাৱেন্সকী মতুংইন্না পেন্সন ফংহননবা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা তাখিবদু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনদ্রি।

লৈবাকসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ত্রেদ য়ুনিয়নশিংনা য়াদে হায়না কন্না থিংলগসু লৈঙাকসিনা ইমপ্লোইয়রশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীবা অদুগা শিন্মীশিংগী মায়োক্তা লৈবা লেবর লোশিং রিফোর্ম তৌদুনা শিন্মীশিংবু মীনাই নাইথাংগী ফীভমদা নৌহৌননা লৈহননবা শিল্লি। য়ুনিভর্সিলাইজেসন ওফ সোসিয়েল সেক্যুরিটিগী মীংদা শিন্মীশিংদগী খোমগৎখিবা লুপা ক্রোর লাক্ষ কুনগী শেনফম সেয়র মার্কেটতা ওইনা থাদখ্রে।

মরুওইখ্রবা পব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিংশিং - দিফেন্স প্রদক্সন, পব্লিক সেক্তর বেঙ্ক, ইন্সুরেন্স, রেলৱেজ, পব্লিক রোদ ত্রান্সপোর্ট, ওইল, পৱারনচিংবা অসি য়োস্থোকপা, প্রাইভেট সেক্তরদা ওস্থোক্লবা, ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেসমেন্ট চাদা চাম্মা য়াম্না ষ্ট্রেটেজিক ওইবা সেক্তর ফাওবদা য়াহন্নবা চঙশিল্লি। দিফেন্স সেক্তর প্রাইভেটাইজেসনগী মরুওইবা মিৎয়েংদি দিফেন্সকী খূৎশু খূৎলায় শাবা অমসুং লমসিদা রিছার্স তৌবশিং লেপহন্নবনি। রেলৱেজ মপূং ফানা প্রাইভেটাইজ তৌননবা তাঙ্কক নাইনা চঙশিল্লি। রেলৱেজদা শাবা ত্রেক্টতা প্রাইভেট ত্রেনশিং চেনবা য়াহল্লি। মেত্রো সিটিশিংদা লৈরিবা রেলৱে ষ্টেসন ২৩ প্রাইভেটাইজ তৌনবগীদমক খনগৎখ্রে। পায়খৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অসিনা খ্বাইদগী হেন্না অচৌবা শাফু পীগদৌরিবসি রেলৱেদা থবক তৌবা শিন্মী কর্ম্মচারিশিংনি। সেন্ত্রেল ইলেক্ট্রিসিটি রিগুলেটরী ওথোরিটি (সী ঈ আর সী) লিংখৎখিবগুম্না রেলৱে দেভলপমেন্ট ওথোরিটি (আর দি এ) হায়বা অমা শেমখ্রে।

সী ঈ আর সীনা ইলেক্ট্রিসিটিগী চার্জ খঙহেন হেনগৎখিবগুম্না আর দি এনা রেলগী অতোংমল লোয়ননা মাল পুবগী চার্জ হেন্না ৱাংখৎহন্দুনা মীচম মীয়ামদা অৱাবা পীগদৌরি অদুগা শেঞ্জাও পায়বশিংবুনা হেন্না কান্নহনগদৌরি।

পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংদা লেজিসলেসন কয়া পানশিন্দুনা প্রাইভেটাইজ তৌনবা হোৎনরি অদুগা বেঙ্ক সেক্তরদা অচৌবা লোন লৌখ্রগা শিংগৎলক্তদুনা অকনবা শাফু পীরিবা কোর্পোরেটশিংদা অহেনবা খুদোংচাবা পীগদৌরি। বেঙ্ক খরদি কন্ট্রেক্টতা হাপ্পা মীওই কয়া থবক্তগী লৌথোকখ্রে। ইন্সুরেন্স সেক্তরদসু চপ মান্নবা এটেক চথরক্লি। মসিদা নত্তনা লৈবাকসিগী মরুওইবা হিথাংফমশিং প্রাইভেটাইজ তৌনবা লেজিসলেটিভ ওইবা খোঙথাং লৌখৎলক্লি। ইনর্জি, পেট্রোলিয়ম, টেলিকোম, মেটেল, মাইনিং, মেছিন ৱিলদিং, রোদ, এয়ার এন্দ ৱাটর ত্রান্সপোর্ট, পোর্ট এন্দ দোক অমদি অতৈ হীরম কয়াদা প্রাইভেটাইজ তৌনবা খোঙথাং চঙশিল্লক্লি। মথক্কী লমসিদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিংনা মাগী মাগী সেক্তরদা পূন্না লৈঙাক্কী থৌশিলগী মায়োক্তা থেংনমিন্নরি। সার্ভিস সেক্তরদা লৈবা শিন্মী কর্ম্মচারিশিং লোয়ননা স্কিম ৱার্করশিংসু থেংনবদা য়াওরক্লি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনসু পব্লিক সেক্তর রোদ ত্রান্সপোর্ট মুথৎনবগী খোঙথাং ওইনা প্রাইভেট পার্টিশিংদা রোদ পার্মিট পীরি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা চথখিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসন অদুদা অনৌবা মোটোর ভেহিকল (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৭ পাস তৌদুনা রোদ ত্রান্সপোর্ট অসি পুরা পুরি প্রাইভেটাইজ তৌনবা লম্বী য়াৎখি।

শিন্মীশিংগী নেসনল কনভেন্সন অদুদা মাগী মাগী ষ্টেটতা লোয়ননা জোইন্ট নেসনল ফোরম ওফ পিজেন্ট ওর্গেনাইজেসনগী মখাদা থেংনরিবা লৌমীশিংদা সোলিদরিটি পীরি। লেন্দলোর্দ ওইবা পোলিসিশিং অসিনা এগ্রিকলচর সেক্তরদা শাথিবা ক্রাইসিস থোকহন্দুনা লৈবাকসিগী ইকোনোমিদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লৌমীশিং আত্মাঘাট তৌবগী চাং হেঙ্গৎলক্লি।

লৈঙাকসিগী পোলিসিনা কম্যুনেল অমসুং দিভিসিভ ফোর্সশিংনা মপাঙ্গল কনখৎলক্লিবা অসিবু নেসনল কনভেন্সন অসিনা কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। শান্তি অমদি সেক্যুলরিজমবু পামজবা মীওইশিংনা লৈতানা হিংজবা ঙমহন্দ্রে। করিমতা নত্তবদা ইস্যু শাগৎতুনা কম্যুনেল ফোর্সশিংনা খুন্নাইদা চরাংনবা কয়া থোক্লনবা শিল্লি। মসিনা শিন্মীশিং লোয়ননা শু-নোমদুনা হিংজরিবা কয়াগী য়ুনিটিদা অকায়বা থোকহল্লে। ৱার্কিং ক্লাসনা মসিগী মায়োক্তা কন্না থেংনবা চঙই।

প্রাইভেট কোর্পোরেটশিংবু শৌগৎপা লৈঙাকসিগী থৌশিলনা ৱার্কিং ক্লাসকী হক অমসুং নে তানা হিংজবদা চাওনা খুরৌ থাংহল্লি। ৱার্কিং ক্লাসনসু অমত্তা ওইনা ত্রেদ য়ুনিয়ন মুভমেন্ট চঙশিন্দুনা লৈঙাকসিগী এন্টি পিপল পোলিসিগী মায়োক্তা চপ চানা থেংনরি। জোইন্ট প্লেটফোর্ম ওফ সেন্ত্রেল ত্রেদ য়ুনিয়ন্স অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট নেসনল ফেদরেসনশিংগী মাংদা তারিবা থৌদাংদি তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা শিন্মীশিংনা থেংনরিবসি নেসনল লেভেলদা পূনশিন্দুনা লৈবাক্কী মফম শিন থুংনা জেনরেল ষ্ট্রাইক চঙশিনবনি। শিন্মীশিংগী নেসনল কনভেন্সনসিনা পম্থুং অসি ফংনবগীদমক মখাগী প্রোগ্রামশিং অসি পায়খৎপা হায়না লেপ্পখি।

১) সেক্তর খুদিংমক্তা মখোয় মখোয়গী ওইবা হান্নদগী পুখৎতুনা লাক্লবা দিমান্দশিং ফংননবা য়ুনাইটেদ ষ্ট্রগলগী খোঙজেল কনখৎহনবা।

২) ব্লোক/দিষ্ট্রিক্ট/ইন্দষ্ট্রিয়েল সেন্তর/ষ্টেট লেভেল কেম্প্যেন, মোবিলাইজেসন অমসুং কনভেন্সন পাঙথোক্তুনা সেন্ত্রেল মোবিলাইজেসনগী শেম শাবা।

৩) লৈবাকসিগী মফম খুদিংমক্তগী শিন্মী লাক্ষ লাক্ষনা শরুক য়াদুনা নেসনল কেপিটেল (দিল্লি) দা নবেম্বর ৯, ১০ অমসুং ১১, ২০১৭ নুমিৎ হুমনি চূপ্পা অকনবা ধরনা পাঙথোকপা।

৪) নেসনল কনভেন্সনসিনা শিন্মী মীয়ামদা লৈঙাকসিগী এন্টি পিপল, এন্টি নেসনল ওইবা থৌশিলশিংগী মায়োক্তা লৈবাক শিন থুংনা চৎথগদৌরিবা ষ্ট্রাইক অসিগী শেম শানবা খঙহনবা। লোয়ননা ঐখোয়গী দাবী ফংদ্রিফাওবা খোঙজং লেপ্পা লৈতনা চঙশিনগনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লাইনীংহন ইবুংঙোগী মপোক নীংশিং নুমিৎ

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**কুমজা** ২০১৭ কী ওগষ্ট ১৪, ইঙেন থাগীনা ২৯ নি চনবা, লোইদাম থাংজগীনা থৱান থাগী ২২ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎ অসি লাইনিংহন ইবুংঙো ফুন্দ্রে (ফুল্লো) গী মপোক নুমিৎ নীংশিংবা শেংখ্রবা নুমিৎনি। নুমিৎসিনা লাকপদা তেংবানবা পোকপীবা তাইবঙপান লানবিবা, পুন্সি তোলোই য়াইফবা পীনবীবা, ইপুরোই অপোকপা লাইনিংথৌ ইবুংঙো অপোকপদা থম্মোয়গী নুংশি লৈরাং কৎচদুনা লাইনীংহন ইবুংঙোবু হন্না হন্না খুরুমজরি। লাইনীংহনগী মপোক নুমিৎ লূপ কয়ানা মফম খুদিংদা নীংশিংনরি। নুমিৎ অসিগী নীংশিং থৌরমগী পাউজেল কয়া পাউচে কয়াদা ১২৯শুবা, ১৩০শুবা পাঙথোক্কনি, পাঙথোকখ্রে হায়না ফোঙনরকপা থেংনজরে। মপোক চহী নীংশিংবা নুমিৎ অসি চহী ১৩০শুবা হায়বনা চুমগদ্রা খঞ্জে। মসিগী মরম হায়জগে।

লাইনীংহনগী মপোক চহী ১২৯শুবদি ওগষ্ট ১৩, ২০১৭, লোইদাম থৱান থাগী ২১নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মপূং ফাদুনা লোইখ্রে। ওগষ্ট ১৪, ২০১৭, লোইদাম থৱানগী ২২নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগীদি মপোক চহী ১৩০ শুবা ওইরগনি। লাইনীংহনগী মপোক চহী ১২৯শুবগী অহৌবসি লোইদাম থৱানগী ২২নি পানবা কুমজা ২০১৬, ওগষ্ট ২৪ দা তাখিবনি। চহী ১২৯শুবগী মপোক থৌরম হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট ২৪, ২০১৬, লোইদাম থৱান ২২নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকহনখ্রবনি। মরম অদুনা ওগষ্ট ১৪, ২০১৭ তা পাঙথোক্লরিবা অসিদি ১৩০শুবা ওইগনি হায়জরিবনি। মতম হায়বসি ঙসাইগী হৌখ্রবদুনা হৌজিক্কীদু মহুৎ শিনবা য়ারোই। মতম মশাবু মশানা অসুম চাশিন্দুনা চৎশিনখিবদা মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সি হি-য়াই পূম্নমক অসিসু চাশিন্দুনা চৎখি হায়দুনা চাহী-চহী হায়রিবনি। চহী অমা হায়বসি ওগষ্ট ১৪, ২০১৭ তগী পারবদি মথং চহীগী ওগষ্ট ১৩, ২০১৮ দা মপূং ফাবা ওইগনি। অদুম্না থবান্দা পারবসু কুমজা ২০১৭ কী থৱান ২২ নি পানবদগী মথং চহী ২০১৮ গী থৱান ২১ নি পানবদা চহী অমা ওইগদৌরিবনি। লাইনীংহন্না পোকখিবা চহী নীংশিংমিন্ননবা চৈথারোল কুম্বাবা লমাই ৪৭৫ গী মতুং ইন্না পীজরি।

লাইনীংহন ইবুংঙো খৃষ্টাব্দ ১৮৮৮, শকাব্দ ১৮১০, নাওরিয়া শাজৌনা চৈথোবা কুম, ওগষ্ট ২৮, লোইদাম থৱানগী ২২ নি পানবা, ভাদ্রগী ১৩ নি চনবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নোংয়াই মতুং নোংঙাল্লমদাইদা নাওরেম শাগৈ মঙাং য়েক্তা, কাছার জারিবোন লাইশ্রম খুন ময়ায় লৈকায়দা তাইবঙ ফাওখি। অপোকপগী মিং 'চাওবা' অপোকপীগীনা 'থম্বৌ' কৌই। মপা পোকপা মপুবোক্কী মিংনা 'হেরান্দো' কৌই। মপুবোক্লা মশুগী মশা নান্না ফজবা শক্তমদু উবদা ফুন্দ্রেনা খেৎপমুক নান্না ফজৈ হায়দুনা 'ফুন্দ্রে' থোনজখি। মমৈদা স্কুলগী ওজানা থোনবিবা মমিং 'ফুল্লো' হায়বসিনা খঙনখি।

লাইনীংহন্না হেক পোকপা কুমজা ১৮৮৮ গী ওগষ্ট ২৮ গী থৱান ২২ নি পানবদগী পারবদি (থাগী থাবান্দা) থৱান ২১ নি পানবা ১৩/৮/২০১৭, নোংমাইজিং নুমিৎতা চহী ১২৯ চপ চানা মপূং ফাবা নুমিৎনি। কুমজা ২০১৭ কী ওগষ্ট ১৪ গী থৱান ২২ নি পানবদি চহী ১৩০ হায়বা হৌরবা অহৌবনি। ১২৯শুবা হায়বা য়াদ্রবনি। লাইনীংহন ইবুংঙোগী পুন্সি ৱারীগী মনুংদা মহাক্লা মীতৈ চীংমী-তম্মীগী মীয়ান লাইনীং লম্বীনা শুমহৎখিদুনা মাঙথরুরববু অমুক হন্না মশাগী লাইনীং লম্বী মনাৎতা হঞ্জিননবা তেল্লবা চহী খরগী মতম কুমজা ১৯৪১ ফাওবদা তৌরম্বা থবক্তি হায়বদা লোবা ঙল্লরোই হায়জগে। মতম হঙ্গৎপা তৌহৈদে। মতমদি চৎশিনবনি, চঙশিনসি। ওল্লকপদি ১৩১শুবা ওইগনি।

*অদোমগী - নিংঙোম্বম সিলহেনবা (অমর), বাসিখোং*